# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 25-07-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) আই.পি.আর মন্ত্রি ডাঃ সাপম রাঞ্জন সিংহনা হায়রি- রাজ্যগী মন্ত্রি মন্দলনা স্কেদ্যুল ইমপ্লোইমেন্ট ২৪ তলব অমুক হন্না য়েংশিন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে।

২) নোর্থ ফ্রন্তিয়ার রেলৱেগী চেং পুবা অখন্নবা রেল গাড়ি অমা খোঙসাং রেলৱে ষ্টেসনগীদমক ঙসি অয়ুক জিরিবাম থাদোকখ্রে।

অমসুং

৩) কেন্দ্রগী মন্ত্রি জ্যোতিরাদিত্যা সিন্দিয়ানা হায়রি- লৈবাক অসিগী ঙমখৈদা লৈরিবা খুঙ্গংশিংদা মোবাইল নেটৱার্ক ফংহন্নবগীদমক সরকার অসিনা থবক কয়া পায়খৎলি।

------

রঞ্জন (এল)ঃ আই.পি.আর মন্ত্রি ডাঃ সাপম রাঞ্জন সিংহনা হায়রি- রাজ্যগী মন্ত্রি মন্দলনা স্কেদ্যুল ইমপ্লোইমেন্ট ২৪ তলব অমুক হন্না য়েংশিন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে। ঙরাং ফমখিবা রাজ্যগী মন্ত্রি মন্দলগী মীফম অদুদা মণিপুর কর্ন্টিঞ্জেন্সি ফন্দ বিল অমসুং মণিপুর গুদস এন্দ সার্ভিসেস টেক্স সভেন এমেন্দমেন্ট বিল লাক্লিবা রাজ্য বিধান সভা মীফমদা পুখৎনবা ৱারেপসু লৌখি।

লমফেল সনাকৈথেলদা লৈবা আই.পি.আরগী ওফিসতা ঙরাং পাউমীশিংৱা ঙাংলদুনা ডাঃ রঞ্জন্না হায়- ষ্টেট এদভাইজরি বোর্দনা পুখৎলকপা মিনিমম ৱেজগী প্রপোজেল অদু মন্ত্রি মন্দলনা অয়াবা পীখিবনি। মদুদা অনস্কিল লেবর, সেমি স্কিল লেবর, স্কিল লেবর, মেনেজর, প্রিন্সিপাল, ভাইস প্রিন্সিপাল, চৌকিদার অমসুং পিওন্নচিংবা কয়া য়াওরি।

কেন্দ্র সরকারনা থাদরকপা স্কিমশিং- পাব্লিক ফাইনান্স মেনেজমেন্ট সিষ্টেমগী মখাদা ত্রাঞ্জেকসন তৌনবগী ৱাফমসু মীফম অদুদা খন্নখি। মন্ত্রিনা মখা তানা হায়- রাজ্য অসিদা ওইরিবা চরাংনবা অসিনা শোকহল্লবা লৌমীশিংদা কম্পেনসেন্টরি ক্রোপ পেকেজ ফেজ টু পীথোকবা ৱারেপখি। পুন্না কোতি ১৩ লাখ ৩০ হেন্না লৌমী লিশিং ২,০৭২ দা পীথোকবা মন্ত্রি মন্দলনা অয়াবসু পীখি। রুরেল ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্টকী সেনিয়র এক্কাউন্টেন্টস দিপার্টমেন্টতা লৈরিবা পোষ্ট ৭ তা অহেনবা অপগেদেসন তৌনবা থৌরাং পায়খৎপদা মীফম অদুনা অয়াবা পীখ্রে হায়না মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

রেল(এল) ঃ নোর্থ ফ্রন্তিয়ার রেলৱেগী অখন্নবা রেল গাড়ি অমা খোঙসাং রেলৱে ষ্টেসনগীদমক ঙসি জিরিবাম থাদোকখ্রে। ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমীনা হায়- দাবা ২১ য়াওবা চেং পুবা রেলগাড়ি অসি ঙসি অয়ুক জিরিবাম থাদোকখিবনি।

মীফম (এল) ঃ দিপার্টমেন্ট ওফ সেরিকলচর অমসুং রাজ্যগী দিপার্টমেন্ট ওফ স্কিলস, লেবর ইমপ্লোইমেন্ট এন্দ ওন্তরপ্রেন্যুরসিপকী মখাদা লৈবা মণিপুর বিল্ডিং এন্দ আদর কন্সত্রক্সন ৱার্করস ৱেলফ্যার বোর্দনা শিন্দুনা ঙসি অয়ুক দিষ্ট্রিব্যুসন ওফ বেনিফিতস এন্দ লোঞ্চিং ওফ বুকস হায়বা থৌরম অমা মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোক্লনি। থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহ অমসুং সোসিয়েল ৱেলফ্যার মন্ত্রি হৈখাম দিঙ্গো সিংহ শরুক য়াগনি।

নাগালেন্দ ঃ শেল থাদোক থাজিন তৌবদা হেন্না নংঙাইনবা নাগালেন্দ মোতোর ভেহিকলস দিপার্টমেন্ট রাজ্য অদুদা দিজিতেল পেমেন্ট সার্ভিস হৌদোকখ্রে। সার্ভিস অসিনা রাজ্য অদুগী মীওইশিংনা মোতোর ভেহিকল সার্ভিসকা মরী লৈনবা টেক্সশিং থিবদা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি। হায়রিবা সার্ভিস অসি ঐচ.দি.এফ.সি বেঙ্ককা খৎশমদুনা রাজ্য অদুদা লৈরিবা জিলা খুদিংমক্কী

ত্রান্সপোর্ট ওফিসশিংদসু হাংদোকখ্রে।

কম্যুনিকেসন ঃ কম্যুনিকেসন এন্দ দিভলপমেন্ট ওফ নোর্থ ইষ্টর্ন রিজন মন্ত্রি জ্যোতিরাদিত্যা সিন্দিয়ানা হায়- লৈবাক অসিদা লৈরিবা খুঙ্গং লিশিং ১৭ গী মনুংদা ৬১১ দি বোর্দর এরিয়াদা লৈরি। হায়রিবা খুঙ্গংশিং অসিগী মনুংদা লিশিং ১৬,৮১৮ দি মোবাইল কোভরেজ ফংলি। ঙরাং লোক সভাদা ইদুনা পীবা পাউখুম অমদা শ্রী সিন্দিয়ানা হায়- লৈবাক অসিদা লৈরিবা খুঙ্গংশিং অয়াম্বনা ফোর-জি মোবাইল কন্নেক্তিভিতি ফংলি। য়ুনিভর্সিয়েল সার্ভিস ওব্লিগেসন্না শেল থাদদুনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা য়ৌশিনবা ঙমদ্রিবা খুঙ্গংশিংদসু মোবাইল নেটৱার্ক ফংহন্নবা হোৎনরি। বোর্দর এরিয়াশিংদা অপনবা লৈতনা মোবাইল নেটৱার্ক ফংহন্নবগীদমক সরকার অসিনা থবক কয়া পায়খৎলি হায়না মন্ত্রিনা মখা তানা ফোংদোকখি।

সংসদ ঃ সাসদকী সভা অনিমকা কেন্দ্রগী বজেৎ ২০২৪-২৫ গী মতাংদা খন্ন-নৈনবা হৌখ্রে। অসাম গনা পরিষদকী লুচিংবা বিরেন্দ্র প্রসাদ বাইসিয়ানা হায়- হায়রিবা বজেৎ অসিনা লৌমীশিং অমসুং নহাশিংদা কান্নবা কয়া পীরগনি। বজেৎ অসিনা লৌউ শিংউ, সার্ভিস অমসুং মন্যুফেকচরিং ইন্দষ্ট্রিশিংদা খুদোংচাবা কয়া পীরগনি হায়না শ্রী বিরেন্দ্রনা মখা তাখি।

ঙরাং পাঙথোকখিবা সংসদকী মীফমদা বি.জে.পিগী সদস্য ডাঃ রাধা মোহন দাস আগরৱালনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা হৌখিবা চহি ১০ অসিদা ভারত্তা চাওখৎ থৌরাং কয়া পায়খৎলিবশিং অসিগী মতাংদা ৱা ঙাংখি। মহাকা হায়- সরকার অসিনা জন ধন য়োজনা স্কিম হৌদোক্লুনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীওই কয়াদা বেঙ্কিং সার্ভিসকা মরী লৈনবা থবকশিংদা খুদোংচাবা কয়া পীরি। খুঙ্গংদা লৈরিবা ইমুং কোতি ১৪ দা তোতি ঈশিংগী খুদোংচাবা ফংহল্লি। লৈবাক অসিদা থবক ফংদবগী অৱাবা সরকার অসিনা শিংথানিঙাই ওইনা কোকহনবা ঙমলে হায়না শ্রী রাধা মোহন্না মখা তানা ফোংদোকখি।

পিএম ঃ   য়ু.কেগী ফোরেন সেক্রেতরি দেবিদ লেমিগী নুমিৎ নিনিগী ওইবা ভারত খোঙচৎতা ঙরাং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ মোদিগা নিউ দিল্লিদা উন্নখ্রে। প্রধান মন্ত্রিনা শ্রী দেবিদকী খোঙচৎ অসিবু থাগৎপা ফোংদোকখি অমসুং লৈবাক অনিগী মরক্তা লৈরিবা কম্প্রিহেন্সিভ ষ্ট্রেটেজিক পার্টনরসিপকী মরী অদু হেন্না চেৎশিল্লগনি হায়না ফোংদোকখি। শ্রী মোদিনা টেকোলোজি সেক্যুরিতিবু ভারত্তা পুশিল্লকপদা তরামা ওক্লি অমসুং ফ্রি ত্রেদ এগ্রিমেন্টনা পীবা খুদোংচাবশিং লৈবাক অসিগী মীয়ামদসু ফংহল্লগনি হায়বা থাজবা থল্লি হায়নসু ফোংদোকখি।

গুজরাত ঃ  গুজরাতকী মফম অয়াম্বদা চুখিবা অকনবা নোংনা মরম ওইদুনা রাজ্য অদুগী মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা পীখ্রে। রাজ্য অদুদা লৈরিবা ডামশিং অমসুং তুরেলশিংগী ঈশিংগী ঈমায় লেপ্তুনা ৱাংখৎলক্লি। মেট দিপার্টমেন্টনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না গুজরাত্তা ঙরাং সেন্তিমিতর ৪০ য়ৌনা অকনবা নোং চুখি। মেট দিপার্টমেন্টনা হায়- লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা রাজ্য অসিদা মখা তানা অকনবা নোং চুরবা য়াই। কোনকান, গোৱা, অমসুং মধ্য প্রদেশতসু অকনবা নোং চুগনি।

কোর্ট ঃ   পনদুনা লৈরিবা কেসশিং লোইশিন্নবা অমদি য়ান্নবা মওংদা ৱারোইশিন পুরকবা পান্দমদা সুপ্রিম কোর্টনা অখন্নবা লোক অদালট থা অসিগী ২৯ দগী মথং থাগী অহুম ফাওবা ফল্লগনি। মসি সুপ্রিম কোর্ট লিংখৎখিবগী চহি ৭৫ শুবা কুমওনগা মরী লৈননা পাঙথোক্কদবনি।

নেপাল ঃ  নেপালগী কাঠমন্দুদা লৈবা ত্রিভুবন ইন্তরনেসনেল এয়ারপোর্টতা প্লেন কায়বগী থৌদোক্তা মীওই ১৮ লৈখিদ্রে, অমনা শোক্লে। থৌদোক অদু এরোপ্লেন অদুনা রন-ৱেদগী পাইখৎলকপদা থোকখিবনি। নেপালগী গৃহ মন্ত্রি রামেশ লেখা মফম অদুদা চংশিন্দুনা হকথেংননা য়েংশিনখ্রে।

জেকে ঃ শ্রীনাগরদা লাক্লিবা ওক্তোবর ২০ দা পাঙথোক্কদৌরিবা কাশ্মীর মরাথোনগী লোগো, ৱেব সাইট অমসুং ভিদিও ঙরাং উপ-রাজ্যপাল মনোজ সিনহা পুথোকখ্রে। থৌরম অদুদা শ্রী মনোজ সিনহানা জম্মু কাশ্মীরগী তুরিজম বিভাগ অমসুং মরী লৈনবা ষ্টেক হোল্ডরশিংবু থাগৎপা ফোংদোকখি। মহাকা মরাথোন অসিদা শরুক য়ানবগীদমক মালেমগী শান্নরোইশিংদা বার্তন তৌখি।

ফুটবোল ঃ দি.এস.এ ককচিংনা শিন্দুনা পাঙথোক্লিবা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৪ গী ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ু.জি.সি ককচিংনা পি.এফ.সি তোকপা চীংবু পাঞ্জল ২-১ মায়থিবা পীখ্রে।

অমরোমদা, ইন্দিয়ানা আর্মিনা শিন্দুনা মোইরাং মল্টি পরপজ হায়র সেকেন্দরি গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা কার্গিল বিজয় দিবস ফুটবোল তুরনামেন্টকী ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা দব্লিউ.পি.সি ৱাংঙুনা কে.এন.কে.এফ.সি কৈবুলবু পাঞ্জল ৬-৫ দা মায়থিবা পীখ্রে।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

কেবিনেট মীফমদা ৱারেপ লৌখিবগী পাউ অমসুং রেলৱেগী চাউখৎ থৌরাংগী পাউশিংনা ঙসি ফোংনরিবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

ইরাংনা লৌ পানবা ঙমখিদ্রবা লৌমী লিশিং ২,০৭২ গী কম্পেন্সেসন লুপা কোতি ১৩ লাখ ৩০ পীথোকপদা কেবিনেটনা য়াখ্রে হায়বা ডাঃ সাপম রঞ্জনগী ৱাফমনা মণিপুর নিউজদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা সনালৈবাক, পোকফম, শঙাই এক্সপ্রেসকী ইদিসন অনিমক, হুইয়েন লানপাউ, হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেস অমসুং গানফিউ মেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনবা উরে।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা নুমিৎ মঙানিগী খোঙচৎতা সি.এম. বিরেন দিল্লিদা চৎলগনি, প্রাইম মিনিষ্টর, হোম মিনিষ্টরনচিংবা উন্নগদৌরি হায়বা পাউ অসিনা

অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক পোকফম অমসুং পিপলস ক্রোনিকলদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোনরি।

নহারোলগী থৌদাংদা-য়ুনিয়ন বজেৎ য়ানিংদবা ফোংদোকপা ওইনা নিতি আয়োগকী মীফম ষ্টেট মরিগী সি.এম শরুক য়ারোইদৌরি হায়বা পাউ অসিনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সরকারনা রেলৱে নেটৱার্কশিং হেন্না চাউথোকহন্নবা থবক পায়খৎপা হৌরগনি হায়বা রেলৱে মিনিষ্টর অস্বিনি বৈষ্ণোগী ৱাফমনা মণিপুর মেলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক পোকফমদসু তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা- লম্বী ফাওনদনবা পোকখায়হনবনি হায়বা চার্জসিটতা পনখিবা ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা- ত্রিনামুলগী অভিসেক বেনর্জিনা য়ুনিয়ন বজেৎতা মৈ চাক্লিবা মণিপুর পল্লমদ্রে হায়না ফোংদোকখ্রে হায়বা পাউ অসিনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। হেদলাইন অসিগী মথক্তা য়ুনিয়ন বজেৎকী জেনেরেল দিস্কসনদা মৈ হৌখ্রে হায়না কলর হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মণিপুর হাই কোর্টনা মিজো নেসনেল ফ্রন্ট পার্সোনেলশিংগী লৈরিবা ক্রিমিনেল কেস য়ুনিয়ন অমসুং ষ্টেট গভর্নমেন্টনা হন্দোকবা ওর্দর পীখ্রে হায়বা পাউনা মোর্নিং বেলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা মণিপুরগী ওইনা এন.ঐচ.আই.দি.সি.এলনা পায়বা প্রোজেক্ট ২৮ লোইশিনবা ঙমদ্রি হায়বা পাউনা অহানবা লমায়দা ফোংলি।

সনালৈবাক্তা- পার্কিং পীদবা পাউনা কৈথেলদা মীওই খরনা পার্কিং শান্দোক্লগা শেল তাল্লি হায়বা পাউনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা- ইজ্কেসনবু দিষ্টর্বেন্স ফ্রি জোন ওইহল্লু হায়বা এম.য়ুগী মহৈরোইশিংগী ৱাফমনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা- ফিজম হেমজিৎকী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখিবগী পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

------